

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইংলেন্দগী টিমদা গোল কিপরনা ট্রেনিং সেসন অমা লোয়রবা মতুংদা ঈশিং থক্লি*

*ইন্দিয়াগী বেটচমেন্ট ওইরিবা বিরৎ কোহল্লিনা হৌজিক চৎথরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিককীদমক ষ্টদিয়মদগী প্রেক্টিষ্ট লোয়রগা হাল্লকপা*

## ব্রাজিলদা পাংথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা কনানা লৌগদগে হায়না খন্নবা হৌরে





*রিও দি জানৈরো, মে ২৬ঃ*

ব্রাজিলগী ৱার্ল্ড কপ অসি করম্বা লৈবাক্লা লৌবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা মীওই কয়া অমনা মাগী মাগী মত ফোংদোক্লবা হৌরক্লে । হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৱার্ল্ড কপ অসিবু লৌবা য়াই হায়না জিনিনা মাগী ওইবা মত্তা লৈবাক মরি খক্কি মমিং পিরদুনা হায়, হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাক ৩২ অসিগী মনুংদগী কপ অসিগী মপু ওইবা য়াই হায়না পিরিবা লৈবাকশিং অদুদি য়ুম্বু ওইরিবা ব্রাজিল, য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাক অর্জেন্টিনা, স্পেন অমদি জর্মনিনি হায়না পিরি ।

য়ুম্বু ওইরিবা ব্রাজিলনা গ্রুপ এ দা ক্রোএসিয়া, মেক্সিকো অমদি কেমেরুনগা পুন্না লৈমিন্নরি । অর্জেন্টিনানা গ্রুপ এফ তা নাইজেরিয়া, বোসিনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনা অমদি ইরানগা পুন্না লৈমিন্নরি । স্পেন্না গ্রুপ বিদা চিল্লি, নেদরলেন্দস অমদি অষ্ট্রেলিয়াগা পুন্না লৈমিন্নরি । জর্মনিনা গ্রুপ জিদা প্রোটুগাল, ঘানা অমদি য়ু এস এ গা লৈমিন্নরি। গ্রুপ জি অসিদি হান্নন করম্বা টিম চংলক্কদে হায়না পানবদা জর্মনি অমদি প্রোটুগাল অনিশুবা রাউন্দ য়ৌরকপা য়াই হায়নবা লৈ । অমরোমদা অতোপ্পা অমনা অমুক গ্রুপ অসিদগী সেকেন্দ রাউন্দ য়ৌরক্কদবা লৈবাক অসি জর্মনি অমদি য়ু এস এনি হায়বসু য়াওই ।

অতোপ্পা মীওই কাংবু অমনা অমুক জর্মনিগা অফ্রিকাগী চেম্পিয়ন ঘানাগা সেকেন্দ রাউন্দ য়ৌরক্কনি হায়নসু পান্নরি । মরমদি ঘানা হৌজিক ফাওবদা ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়াবদা ক্বাটর ফাইনেল ফাওবা লায়না য়ৌখিবা লৈবাক অমা ওইরি । মখোয়না ৱার্ল্ড কপ্তা য়াওবসু মশিং য়ামদ্রি । অদুবু ফজবা প্রাফোর্মেন্স কয়া পিখ্রবা লৈবাকনি । অমরোমদা গ্রুপ এফতা লৈরিবা অর্জেন্টিনা অসিসু কপ অসি লৌবা য়াই হায়না পান্নরি। মমাংগী ৱার্ল্ড কপ খরগা অর্জেন্টিনা য়াম্না ঙন্না অহানবা অমদি অনিশুবা রাউন্দদা লৈহৌখি। মখোয়না ৱার্ল্ড কপতা য়াম্না নিংথিজবা পর্ফোমেন্স পিখিবা অসিনা ১৯৮৬তা মেক্সিকোনা য়ুম্বু ওইদনা পাংথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা ষ্ট্রাকইর দ্রিগো মারাদোনানা লাই শাখিবা অদুবু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি । মতম অদুদা মহাক্কী সপ্লাইয়র অমা ওইখিবা কানেজিনা পিরকপা বোলশিং অদুবু মহাক্লা য়াম্না লায়না গোল ওন্থোকখি ।

হন্দক্কী অসিদসু টিম অসিদা অফবা শান্নরোই কয়া অমা য়াওরি। টিম অসিগী অফবা শান্নরোই অমনি হায়না পান্নরিবশিংগী মনুংদা লিয়োন মেসিসু মমিং পানবা য়াই ।

স্পেনগী টিম অসিনা গ্রুপ বিদা লৈবগা লোয়ননা টিম গ্রুপ অসিদা টোপ নত্রগা সেকেন্দ তাদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চংলক্কুনা নোক আউত রাউন্দদা মায়পাক্কুনা ফাইনেল য়ৌরক্কনি হায়দুনা পান্নরি। স্পেন টিম অসি হৌজিক্কী ওইনসু মমাংগী চহিদা চেম্পিয়ন ওইদুনা ফুটবোলগী রেঙ্কিংদা টোপ ওইরিবা লৈবাক অমনি । টিম অসিদা দেবিদ ভিলানচিংবা অফবা শান্নরোই য়াওরি । মখোয়না টিম অসিবু ৱার্ল্ড কপ অসি লৌদুনা মমাংগী চহিদা কপ অসিগী মপু ওইখিবদু অমুক হন্না ওইবা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু থল্লি ।

গ্রুপ দি দা লৈরিবা ইংলেন্দগী টিম অসিদা ৱেন রুনি য়াওনা ষ্টেফেন জেরাৎ মখোয় অনি অসি সেনিয়র প্লেয়র ওইনা য়াওবগা লোয়নননা অফবা শান্নরোই কয়া অমা য়াওরি । মখোয়গী মনুংদা লুকে সো, আদম লাল্লানা রাহিম ষ্টেলিং অমদি দিনেল ষ্টুরিৎগেজনচিংবা নহা ওইরিবা শান্নরোইশিং অসিনা ইং ২০১৩–১৪গী সিজন্দা ইন্টর্নেসনেলগী ওইবা মেটচতা ইংলেন্দগীদমক্তা অচৌবা রোল লৌরক্কদবা অমদি লৌখ্রবা শান্নরোইশিংনি । টিম অসিগী ডাক্তর ষ্টিভিন পিটরনা ফোংদোকখিবদা হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইংলেন্দনা চনবা গোল অসি ৱার্ল্ড কপ অসিদা রেকোর্দ ওইগনি।

টিম অসিগী সেনিয়র প্লেয়র অমা ওইরিবা রুনিনা ফোংদোকখিবদা হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিদা মহাক্লা য়াম্না নিংথিনা হোৎনদুনা শান্নগনি । মমাংগী কপশিংদা তৌবা ঙমখিদবা কয়া অদু হন্দক্কী অসিদা নিংথিনা তৌগনি হায়খি ।

মখোয়গী গ্রুপতা লৈমিন্নরিবা উরুগে, ইটালি অমদি কোস্তরিকাবু মায়থিবা পীনবা হোৎনগনি । মখোয়গী অহানবা মেটচ ওইনা ইটালিগা থেংনবা অসিদা মায়পাকপা ঙমগনি হায়না টিম অসিগী মেনেজর ওইরিবা রোই হোতসন্না ফোংদোকখি ।

অমরোমদা ইটালি টিম অসিসু ইংলেন্দগা গ্রুপ পুল্লগসু য়াম্না লায়না লৌরুবা য়াদবা টিম অমনি। মখোয়না ৱার্ল্ড কপতা য়াম্না থাজদবা মওংদা হেক হেক অঙকপা খুৎশান্না অমা উৎলকখি ।

নিংশিংবা য়াই ইং ২০০৬তা জর্মনিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা কপ অদুদা ইটালিনা য়ুরোপকী লৈবাক অমা ওইরিবা ফ্রেন্সপু টাই ব্রেক্তা গোল মার্জিন ৱাংনা মায়থিবা পিদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবা লৈবাক অমনি । টিম অসিবু তরাইনা লৌবা অসি লানগনি।



## মারিয়া সারাপোভা ফ্রেন্স ওপনদা সেকেন্দ রাউন্দ চংখ্রে

*পেরিস, মে ২৬ঃ*

ৱার্ল্ডগী তরেৎশুবা সিংতা লৈরিবী রুসিয়াগী মারিয়া সারপোভানা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মহাক্কী কন্ট্রি অদুগী অতোপ্পা শান্নরোই কেসনিয়া পারভাকপু মায়থিবা পীবগা লোয়নননা সেকেন্দ রাউন্দ চংখ্রে ।



ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা সারাপোবানা মহাক্কী লৈবাক অদুগী নৌনা হৌরক্লিবী ৱার্ল্ডগী ওইনা ১৫৬শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবী শান্নরোই অসিবু মায়থিবা পীবদা শুপ্নগী মিনিট ২৭ খক্তমক চংখি । মসিগী মথক্তা শান্নরোই অসিনা মহাক্কী লৈবাক্কী শান্নরোই অসিবু মায়থিবা পীবদা সরভিস ৩–৩ ব্রেক তৌবসু ঙমখি । অহানবা সেট অদুদা মারিয়া সারাপোভানা য়াম্না লাকচনা ৬–১দা থোইবা ঙমখি । মসিদা কেসিনিয়াগী সরভিস ৩ ব্রেক তৌবা ঙমখি । অনিশুবা শান্নখিবা সেট অদুদসু মহাক্লা ওপোন্টে ওইরিবা মহাক্কী লৈবাক্কী শান্নরোই অদুদগী সরভিস ৩ অমুক ব্রেক তৌবগা লোয়নননা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পিখিবনি ।

সারাপোভানা হৌজিক ফাওবদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ৪ লৌখ্রে । মসিগী মনুংদা ইং ২০১২দা পাংথোকখিবা ফ্রেন্স ওপনগী চেম্পিয়ন ওইদুনা চহি অদুগী গ্রান্দ স্লাম লৌবি শান্নরোই অমসু ওইখি। ঙসিগী মেটচ অদুদা মহাক্লা চাউনা মায়পাকখিবসি অয়াম্বা মতমদা মহাক্লা তৌখিবা ফাষ্ট সরভিসশিং অসি মায়পাকখিবনি, মহাক্লা য়ৈখিবা বোলশিং অদু ওপোনেন্ট শান্নরোই অদুগী বেজ লাইন্দদা তাবগা লোয়নননা ওকপা ঙমদনা পোইন্ট লৌখিবা ঙক্তনি ।

শান্নরোই অসিনা সেকেন্দ রাউন্দদা ইং ২০১০দা ৱিমব্লিদন্দা সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখ্রবি অদুগা চহি অদুমক্তদা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবি টেজভেটেনা পিরোনকোভাগা থেংনগনি । মসিনা গ্রান্দ স্লামগী টেনিস অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা মেটচ অমসু ওইগদৌরি ।

মায়পাক্লবা সারাপোভানা ফোংদোকখিবদা অনিশুবা রাউন্দ অসিনা হেন্না মরুওইবা মেটচ অমা ওইগনি মসিদগী কৈদৌনুংদসু নাথৈদুনা চৎলোই । মেটচশিং অসি মহাক্লা নিংথিনা শান্নগনি হায়খি ।

মহাক্লা মখাতানা হায়খিবদা মমাংদা পাংথোকখিবা টেনিসকী টুর্নামেন্ট অমদা মহাকপু ক্বাটর ফাইনেলদা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরমখিবী হৌজিক্লা ৱার্ল্ডগী টোপ সিদেদ ওইরিবী আমেরিকাগী সেরিনা ৱিলিয়মগা থেংনবা পাম্মি হায়খি ।

## জাপানগী কৈ নিশিকোড়ি অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে

*পেরিস, মে ২৬ঃ*

নুপাগী নাইন্দ সিদেদতা লৈরিবা জাপানগী অফবা শান্নরোই অমা ওইরিবা কৈ নিশিকোড়ি হৌজিক চৎথরিবা ফ্রেন্স ওপনগী অহানবা রাউন্দদা নাবনা মরম ওইদুনা মখা তাবা রাউন্দ চংবা ঙমদনা লৈহৌরে।

মশাগী ২৪ খক্তা ঙাইরিবা শান্নরোই অসিনা মমাংদা পাংথোকখিবা ওপন অদুদা শরুক য়াবগা লোয়নননা জাপান লৈবাক্কী শান্নরোইনা চহি ৭৫গী মতুংদা অহানবা ওইনা মরিশুবা রাউন্দ চংবা ঙমখিবা শান্নরোই অমসুনি ।

লাইবক থিবদি শান্নরোই অসি মহাক্কী নঙ্গলগী শরুক্তা অনাবা অমা য়াওরকপগা লোয়নননা মশানা অসিদা য়াম্না কন্না মহাক্কী ওপোনেন্ট ওইরিবা স্লোভেকিয়াগী শান্নরোই মার্টিন কালিজানগী মখুৎতা মায়থিবা নংখিবনি ।

অহানবা সেট অদুদা কৈ নিশিকোড়িবু মার্টিননা টাই ব্রেক্তা ৭–৬ (৭–৪)দা মায়থিবা পীখি । শান্নরোই অনিমক্না অহানবা সেট অসিদা গেম ৬–৬ মায়পাক্লখি । মরম অসিনা সেট দিসাইদিং শান্নখি। মসিদা মার্টিননা পোইন্ট ৭–৪দা মায়থিবা পীখিবনি । অনিশুবা সেট অদুদা নিশিকোড়িগী অনাবা হৌরকপগা লোয়নননা য়াম্না কন্না শান্নবা ঙমদ্রবসু কোর্টতা লেপ্তুনা মখা তানা শান্নখি । মার্টিননা নিশিকোড়িবু অনিশুবা সেট অমদি অহুমশুবা সেটতা ৬–১, ৬–২দা মায়থিবা পীখিবগা লোয়নননা সেট মায়পাকপা ঙমখিবনি ।




নিংশিংবা য়াই জাপানগী শান্নরোই কৈ নিশিরোড়িনা মমাংদা পাংথোকখিবা ক্লে কোর্টকী মেটচ অমা ওইখিবা বার্সেলোনা টাইটল লৌবা ঙমখি । মসিগী মমাংদা পাংথোকখিবা মেড্রিদ মাষ্টর ফাইনেলদসু ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইরিবা রাফেল নাদালগা শান্নবদা অনাবা হৌরক্তুনা নাদালনা মেটচ অদু লৌখিবনি ।

## কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী কোচনা টিম অসিনা নিংথিনা শান্নে হায়না ফোংখ্রে

*কোলকাটা, মে ২৬ঃ*

কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী কোচ ওইরিবা ট্রেভোর বাইরিচনা ফোংদোকখিবদা টিম অসিনা চৎথরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ অসিদা ফাইনেল ফাওবা য়ৌগনি হায়খি ।

ঙসি মহাক্লা ফোংদোকখিবদা টিম অসিনা চৎথরিবা আই পি এল অসিদা মেটচ ৭ মায়পাক্লকপা অসিনা তাকপদি টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিংনা থৱাই হকচাং য়াওনা চেকশিন্না হোৎনৈ হায়বসিনি । মহাক্লা মখা তানা হায় চহি অনিগী মমাং হায়বদি ইং ২০১২দা পাংথোকখিবা আই পি এল অদুদা টিম অসিনা সেমি ফাইনেল ফাওবা চংবা ঙমখি । হন্দক্কী মেটচশিং অসি য়েংলুরগসু মহাক্কী টিমনা শোয়দনা মায়পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু পানখি ।

টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী হৈশিংবা কয়া উৎথোক্তুনা হন্দক্কী লিগ অসিদসু সেমি ফাইনেল ফাওবা য়ৌনবা হোৎনখিবা অদু মীয়াম্না উখ্রে । শান্নরোইশিংনা য়াম্না কানফিদেন্স লৈনা শান্নখি । টিম অসিনা অফবা টিম কয়াগা থেংবদসু য়াম্না নিংথিনা শান্নখি । আই পি এলগী লিগ অসিদা কোলকাটা নাইট রাইদর্স অমদি কিংস এলাভেন পাঞ্জব অনিনা করম্না শান্নখিবগে হায়বদু অমুক হন্না নিংশিংলুদ্রগসু মীয়াম্না খংনরবনি । মহাক্লা মহাক্কী টিমদা শান্নবা হন্দক্কী সিজন্দ অসিদা উই । কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী কোচ অসিনা ফোংদোকখিবদা মখোয়না য়াওরিবা শান্নরোইশিং অসিগী লমচৎ শাজৎ অসি য়াম্না ফৈ হায়না থাগৎপগা লোয়নননা মেটচ মনুংদা মখোয়না উৎখিবা কয়া অদুবুসু মহাক্লা শিংথাখি । হন্দক্কী মেটচ অসিদা টিম অসিনা সেমি ফাইনেল চংলগনি অদুগা মমাংদা মেটচ ৭ মায়পাকখিবা অদুগুম্না মান্নবা মওংদা শান্নদুনা সেমি ফাইনেল মায়পাক্কনি হায়নসু পনখি ।

কিংস এলাভেন পাঞ্জবকী জিদেন মেক্সৱেলনা নিংথিনা মেদিয়াগী মমাংদা অফবা টিম অমনি হায়না উৎনবা হোৎনগনি হায়খি । অতোপ্পা টিমশিং অদুগী শান্নরোইশিংনা হোৎনরিবা কয়া অদুবুসু মহাক্লা থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়নননা মহাক্কী টিমনা কিংস এলাভেন পাঞ্জবকা মমাংদা শান্নখিবা মেটচ অনি অদুদা লৌখিবা শান্নরোইশিংগী থৌদাং অদুবুসু থাগৎখি ।

কোচ অসিনা মখা তারদুনা শরুক য়ারিবা আই পি এলগী টিমশিং অসি মহাক্কী টিমনা লায়না খানবা য়াওখিদে মখোয়না শান্নরিবশিং অদু য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি । বিরেন্দর সেৱাকনা য়াওরিবা টিম অদুদা মহাক্লা লৌরিবা থৌদাং অদু থাগৎনিংঙাইনি মহাক অসি য়াম্না নিংথিনা শান্নবা শান্নরোই অমসুনি হায়না ফোংদোকখি ।

কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী ওইনা রোবিন উথাপানা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি য়েংলগা মহাকপু ইনিংসশিংদা ওপনর ওইনা থাদোক্লিবনিসু হায়খি ।



## মুম্বৈ ইন্দিয়ান্স ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ চংখ্রে

*নিউ দিল্লী, মে ২৬ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগকী মেটচতা মুম্বৈ ইন্দিয়ান্সনা রাজাস্থান রোয়েলসপু ৱিকেট মঙাদা মায়থিবা পীবগা লোয়নননা টিম অসিনা মরিশুবা ওইনা সেমি ফাইনেলগীদমক মায়পাকপা টিম ওইখ্রে ।

রাজাস্থান রোয়েলসনা ওভর ২০দা ৱিকেৎ ৪ তুবদা রন ১৮৯ লৌখি । টিম অসিনা মুম্বৈ ইন্দিয়ান্সতা টার্গেৎ থমখিবা রনদি ১৯০নি । মুম্বৈ ইন্দিয়ান্সনা অনিশুবা ইনিংসতা রাজাস্থান রোয়েলসনা থল্লিবা টাগেৎ রন অসি হেন্না ১৯৫ লৌদুনা মায়পাকখি ।

মুম্বৈ ইন্দিয়ান্সনা ওভর ১৪.৪দা ৱিকেৎ ৫ তুরগা রন ১৯৫ লৌবা ঙম্বগা লোয়ননা মায়পাকপা পুরকখিবনি । মসিদা টিম অসিদা য়াওরিবা এন্দর্সন্না বোল ৪৪ দা রন ৯৫ লৌবসু ঙমখি । মুম্বৈ ইন্দিয়ান্সনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মখোয়গী টার্গেৎ রন অসি য়ৌনবা হোৎনরকপদসু শান্নরোই অসিগী চাউরবা থৌদাং লৈখি ।

ওভর ১৪ শুরকপা মতমদা মুম্বৈ ইন্দিয়ান্সনা লৌগদবা রন অসি য়াল্লকখিদে । ১৫ শুবা ওভর রন্নিংগী ৪শুবা ওইনা লংলকখিবা বোল অদুদা মুম্বৈ ইন্দিয়ান্সনা লৌগদবা রনসি সুপ্নাগী অমখক্তনি মসিদা অভর বাউন্দরি অমা লৌবগা লোয়নননা রন ৫ হেন্না ফংদুনা মুম্বৈ ইন্দিয়ান্স অরোইবা ওইনা ক্বালিফাইট ওইখিবনি । হৌজিক ফাওবদা ক্বালিফাইট ওইরবা টিম মরি অদুদি কিংস এলেভেন পঞ্জাব, কোলকাটা নাইট রাইদর্স, চেন্নাই সুপর কিংস অমদি মুম্বৈ ইন্দিয়ান্সনি ।


IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IW-WANGOI
Ref. : Mut East No. 125/SDC/IW/2014

ABUJAM THOIBI DEVI
w/o (L) A. Mani Singh of Samurou Awang Leikai
Patitioner
Vs
(L) ABUJAM BOBY SINGH
s/o Mani Singh of Samurou Awang Leikai
Opp. Party

NOTICE
Wangoi, dated the 23rd May, 2014

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহজ্জরী মদুদি মৃত pattadar Abujam Boby Singh গী মীংদা পানবা village no. 90 গী patta no. 62/1289 গী দাগ নম্বর 1256 কী এরিয়া .78 acres গী ফৌরেল লৌফম অসি petitioner না মশাগী মীংদা নামা পানশীনবীয়ু হায়না উক্তা court তা দরখাস থারক্লে । মরম অদুনা মরি লৈনবা মীওইশিংনা Notice অসিগী মতুং নুমিৎ 7 নি ফাউবগী মনুংদা উক্তা court/SDC Office তা লাক্তুনা objection তৌবীরবা য়াগনি । মতুং লাকপা আপতী লৌজরোই । Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, IW
Wangoi